ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯹, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওগষ্ট ২৯, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫০শুবা মশীং

# জপানিজ এন্সেফলাইটিস লাকশিন্নবা থৌরাং

## ঙাইহাক্কী কাঙ তান্থোকপখক নৎতনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই

চহী অসিগী ওইনা জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী কেস ২৩২ থেংনবগা লোয়ননা মীওই মঙা লায়না অসিনা মরম ওইরগা শিখ্রে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবসু লৈঙাক্লা লায়না অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি। এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন অমসুং সুজকুমার ওক্রমনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসনগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, জপানিজ এন্সেফলাইটিস লাকশিন্নবগী মতাংদা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ফোগিং তৌবগা লোয়ননা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসি মপূং ফানা লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মণিপুরদা লায়না অসিগী কেস কুমজা ২০১৬তা ৪৭, কুমজা ২০১৭ তা ১৯৫ অমসুং কুমজা ২০১৮দনা ৮৫ থেংনখি। রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (মিরস), জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লেম্না টেষ্ট তৌনবগী খূদোংচাবা ফংহনবগা লোয়ননা মখা তাবা লায়েং চৎথনবগী থৌরাং কয়াসু লৌখৎলে হায়রি। খূদক্কী ওইবা অমদি তুং কোইনা চৎনগদবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা নেসনল ভেক্টর বোর্ন দিজিজ কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা স্পোট ভেরিফিকেসন ইনভাইরনমেন্ট ইভাল্যুয়েসন অমসুং কাউন্সেল্লিং সেসন কয়া পাঙথোক্লে। চীফ মেদিকেল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসর, পেরামেদিক অমদি নর্সশিং য়াওবা দিষ্ট্রিক্ট রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং শেমদুনা মফম কয়াদা মতীক চাবা থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা কাঞ্জল হীদাক লুপথোকপগী থবকসু পায়খৎলে হায়রি। জপানিজ এন্সেফলাইটিস শন্দোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা অখন্নবা সেনিটেসন প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, দিপার্টমেন্ট ওফ অয়ুশনা মফম কয়াদা বেলাদোনা (জপানিজ এন্সেফলাইটিস ঙাকথোক্লুবা হীদাক) য়েন্থোকপগা লোয়ননা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমসুং পব্লিক এৱেয়রনেস কেম্পেয্যন পাঙথোক্লি।

কুমজা ১৮৭১দা ইহান-হান্না জপানদা থেংনখিবা লায়না অসিগী কেস ৬৮,০০০ লোম চহী খূদিংগী তোঙান-তোঙানবা মালেমগী মফমশিংদা থেংনরি। দেঙ্গি, য়েলো ফিবর অমদি ৱেষ্ট নাইল ভাইরসকা মরী লৈনবা ক্যুলেক্স বিসনুই, ক্যুলেক্স ট্রাইটেনিওরিঙ্কস অমসুং ক্যুলেক্স স্যুদোবিসনুই গ্রুপকী কাঙ মখলনা শন্দোকপা লায়না মখল অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনগী লৈবাক ২৪দা তোয়না শন্দোরকপা থেংনৈ হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। সিম্পটোমেটিক ট্রিটমেন্ট চৎথদুনা লায়ওংহন্থহন্নবা হীদাক-লাংথক খরা থাবা নৎতনা হৌজিক ফাওবা মপূং ফানা ফহনবা ঙমদ্রিবা লায়না অসিনা নাবদগী হিংহৌবা মীওই চাদা ৩০ রোম পেরলাইসিস তৌবা নৎত্রগা ৱা ঙাঙবা ঙমদবনচিংবা খূদোংচাদবশিং মায়োক্নে হায়রি। ব্রেনগী অকোয়বদা লৈবা মেমব্রেনশিংদা শোকহনবা লায়না অসি মীওইবা খক্তা নৎতনা শাদসু নাবা থেংনৈ। লায়না অসিগী মরু ওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ হৌবা, কোক চীকপা, ওবা, ৱাখল চমন্নরকপা অমসুং হকচাং লেঙ-ওৎপা ঙল্লক্তবা অসিনচিংবনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি লায়েংনবগী মতীক চাবা এন্টি-ভাইরেল ট্রিটমেন্ট মখল অমত্তা লৈত্রবসু মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবগী মতাংদা ভেক্সিন কয়ামরুম লৈরে। ঈশিং তুঙদুনা লৈবা লৌবূক অমদি কোমকুৎনচিংবদা কাঙ মরূম কোকপা মরম্না য়ারিবমখৈ অকোয়বদা ঈশিং তুঙহন্দনবা অমসুং লূ-নালহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোক্লি। চহী অনীদগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা হেক-হেক পাক-শন্না শন্দোরকপগী থৌদোক থোক্লিবা লায়না অসি অয়াম্বা মতমদা কালেনথা অমসুং নোংজুথা মতমদা শন্দোরকপা থেংনৈ। অকোয়বগী ফীভম লূ-নালহন্দুনা কাঙ মরূম কোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরবসু ভেক্সিন কাপথোকপনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙায়রবা পাস্বৈনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোক্লি। মণিপুরদা হৌজিক জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী কেস ২৬২ থেংনবগা লোয়ননা মীওই মঙা শিখ্রে হায়বা তারগসু লৈঙাক্লা পেন্নিংঙাই ওইবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপগী খূদম উবা ফংদ্রি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা মওংদা কাঙ-হীদাক কাপথোকপা, ফোগিং তৌবা অমসুং কাঞ্জল হীদাক লুপথোকপগী মহুৎতা মতম চুপ্পগী ওইনা অকোয়বগী ফীভম লূ-নালহন্নবা, কাঙ মরূম কোকহন্দনবা হোৎনবা অমসুং পাক শন্না ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পায়খৎপনচিংবা তুং কোয়না চৎনগদবা থৌরাং লৌখৎপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### এদেদ ওজাশিংগী পেন্সন

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

লৈঙাক পায়বীরিবা মীয়ামগী মপি-মপানি হায়নরিবা লুচিংবশিংনা মীচম-মীয়ামগী অৱা অনা কয়াগী খনবীদুনা অহল ওইরবা কয়াগী পেন্সন পীবিরি। লৌমীশিংগী ওইনসু অহল ওইরক্তুনা লৌবুক চৎপা ঙমজদ্রবা কয়াগী পেন্সন পীবিনবা পোলিসি কয়া য়াৎপীরি। লুখ্রাবী কয়াগী অৱাবা য়েংবীদুনা মদুগী পেন্সন পীবীনবা পোলিসি শেম্বা লোইখ্রে। এ দি সীগী মখাদা লৈবা শিন্মী কয়াগী পেন্সন পীনবগী থৌরাং কয়াসু য়াৎপা লোইখ্রে। হায়রিবা খুদিং পেন্সন ফংবা য়াবগী চৎন-কাঙলোন লৈরমদুনা পেন্সন পীনবগী কয়াৎ লৈঙাক্লা থমখিবা পোৎ অমসু ওইদে। তশেংনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়েংবীরগা অনৌবা পোলিসি শেমদুনা অনৌবা কয়াৎকী মখাদা শেমখিবনি। অমরোমদা এদেদ ওজা কয়াগী পেন্সনগী পোলিসি কাঙলোন চুম্না য়েংবীবদা লৈঙাক্লা জি পি এফ থমহৌদবা, মদুগী মথক্তা কুমজা ২০০৫গী পেন্সনগী পোলিসি অসিসু পানশিনবা য়াদবা অসিনা মরম ওইরগা হন্দক স্কুল দিরেক্টরনা এদেদ ওজা কয়াগী পেন্সন পীবা য়াবগী লম্বী পূম্নমক ককথৎতুনা ফাইল অমা থাদোরকপা অসি মীগা মীগা খেন্নবা থম্বীবগী থৌওংনি। চুম্মী এদেদ ওজা কয়াগী পেন্সন পোলিসিদা অশোয়বা ময়াম লৈবনা পেন্সন পীবা য়াবগী থৌওং লৈরমদবা য়াই। অদুবু চহী ৪০ হেন্না খাঙদুনা লাকখ্রবা অপিকপা শেনফম্না ময়াম য়েন্নদুনা লৈরক্লবা এদেদ ওজা কয়া অসিগী পেন্সনগী পোলিসি মচা অমত্তং শেম্বীদুনা মতেং পীবদা থোইনা অরুবা ওইরোইদ্রা হায়বসি লৈঙাক অমদি লোইশঙ অনীমক্লা খন্থবা চুমগনি। লোয়ননা এদেদ ওজা কয়াগী অনীংবা থুংহনবীরবদি ঙসিগী লৈঙাকপু এদেদ ওজা অমদি অহল কয়ানা ঙমখৈ লৈতনা পেনগনি অমসুং থাগৎনগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ অসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরনি। নীংশিংগদবা ময়ামগী মনুংদা 'ময়াংখাং' দা মেলভিন সাহেবপু হাৎখিবা চিরাই নাগাসু অমনি।
(ক) 'ময়াংখাং' কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো?
(খ) ময়াংখাং অসি মতমদুদা করম্বা নাগা ত্রাইবকী সব-দিবিজন্নো?

২। "জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানতবু নত্তে, হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থমোয়নি।" ৱাফমসি মহাকবিনা হায়রম্বনি। মাগী করম্বা লাইরিক্তা হায়রম্বনো?

৩। "নহাকপু নাউশুম ঈশৈ/শক্লা শক্লা ঐনা/...শুম্লক্লিবা করম্না নহাক্লা ঐবু।" ৱাহৈশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অমম্বা মপৈ মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবী অমনা 'মঙগী মচুশিং' কৌবা লাইরিক্তুগী শৈরেং অমদা হায়রিবনি। অইবীদু কনানো?

৫। "মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙায়রে/পাঙ্গল য়াওদ্রে মীপাল তাংলে/চহী তৎলে খোংবা ঙমদ্রে।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরী লোলগী নুমিৎ নীংশিং থৌরম

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

মণিপুরী লোল (মীতৈলোল) হায়বসি 'ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ' অমা ওইনা শকখঙলে হায়বসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী নিপানশুবা সিদ্যুলদা য়াওরিবা লোলশিংগী লিষ্ট অদুগী মনুং চল্লবা মতমদুতদা অচুম্বা ওইগদবনি। ওন্থোকপা হায়বদুনি! চহী লিশীং অনী হেল্লবা মতমগী মমাঙদগী নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা মশা মরোমদোম পাঞ্জরকই হায়বগী পুৱারী লৈ হায়না চাউথোকচরিবা ফুরুপ অসি ইন্দিয়া কৌবা লৈবাকসিদা পূনখিঙৈদগী মশাগী আইদেন্টিটি পূম্নমক মাঙলবা ফুরুপ অমা ওইরকখি। খ্বাইদগী হন্থবা থাক'তা লৈবা পার্ট-সী-ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্লগা, হায়বদি ওফিসর মচা অমদা লমদমসিগী লৈঙাক থৌদা শিন্নদুনা থম্লুরগা, ১৯৫৬তা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইহল্লকখিবা। নৌরিবা অঙাং মহৈরোয়শিংবু 'ষ্টেটহুদ পীগদবনি' হায়বা ঈহৌ অমা হৌহনখিবা! ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদতা তপ্না তপ্না শিংবা হেনগৎলকপগুম, ৱাখল তারকপগুম তৌখি লমদমসিগী মীয়াম। কুমজা ১৯৭৩দগী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ পীবা হৌদুনা লমদমসিগী লোল'দা ইবা খোরিরোলগী লাইরিকশিংবু নেসনল লেভেল'দা শকখঙখি। অইবা কয়া মথং মথং এৱার্দ অসি পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্র' মতুংদা, কাইনথংদা ৱাখল লাকই ... 'লোলসিদা ইবা লাইরিকশিংগী লিটরেরি ভেল্যু'দু মশক খঙবীরবসু, লোলসিবুদি লৈবাকসিগী লোল অমনি হায়নদি শকখঙবীদে, 'সিবু হৌনবা থবক্লা'? ৱাখলসিনা লীচিং ওইদুনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎহল্লকখি - 'মণিপুরী লোল (মীতৈলোল) কন্সটিট্যুসনগী নিপানশুবা সিদ্যুল'দা চলহনগদবনি'। দিমান্দ অদু মীয়ামগী ঈহৌ ওইরকখি। ওগষ্ট ২০, ১৯৯২ - ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন' বু ৭১শুবা ওইনা শেমদোক্তুনা (এমেন্দমেন্ট তৌদুনা) মণিপুরী লোলবু 'নেপালি' অমদি 'কোনকানি লোলগা লোয়ননা সিদ্যুল'দুদা হাপচিনখি। পূন্না তরানিপান শুরকখি। কুমজা ২০০৩দা অমুক হন্না কন্সটিট্যুসনবু ৯২শুবা ওইনা শেমদোক্লগা বোড়ো, দোগ্রি, মাইথিলি অমসুং সন্থালিরুসু হাপচিন্দুনা পূন্না লোল কুন্নিথোই (২২) ইন্দিয়াগী শকখঙলবা লোল ওইরকখি।

অসুম্না ওগষ্ট ২০, ১৯৯২দুবু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসিবু 'মণিপুরী লোলগী নুমিৎ' হায়দুনা চহী খুদিংগী পাঙথোরক্লি। হন্দক ওগষ্ট ২০, ২০১৯দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু ২৭শুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎনি। মফম অহুমদা 'মণিপুরী লোলগী নুমিৎ' পাঙথোকখি। অমনা 'লময়ানবা শঙলেন'দা - ওর্গনাইজেসন ১৫গী সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীনবা (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, মণিপুরী লেংগ্বেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ইপাথৌকোক, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, রাইটর্স ফোরম, লৈকোল, সাথৌলূপ, পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, ইমাখোল, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল, অম্মিক, ফিল্ম ফোরম মণিপুর, থিয়েটর সেন্টর মণিপুর অমসুং আর্টস সোসাইটি মণিপুর)। অনীশুবগীদুনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ওদিটোরিয়মদা কোলেজ অসিগা ৱাই কে কোলেজ, ৱাংজিংগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা। অহুমশুবগীদুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি'দা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন'না শীনবা। মণিপুরগী অতোপ্পা মফম খরদসু পাঙথোক্লরমগদ্রা? পাউ ফংদবনা ৱারেংসিদা পঞ্জদ্রে। তৌরমগদবদি মান্দ্রে। মরমদি অহানবগী সেলেব্রেসন কম্মিটি অসিদা মণিপুরগী মরুওইবা ওর্গনাইজেসনমখৈদি লোইনা য়াওখ্রে। অদুগীসু মথক্তা মফম য়াম্না পাঙথোক্লগা, নুমিৎ অসিগী নীংশিং থৌরম হেন্না সিগ্নিফিকেন্স লৈগদবা, মিনিংফুল ওইরক্কদবা নত্তে।

মফম অনীগী চেবাউ ফংলবসু ৱারেংজরিবা ঐহাক, অমদগী হেন্না য়াওবা ঙমখিদে। জে এন দান্স একাদেমিগী, অয়ূক্কী সেসন'দা পাঙথোকপা সেমিনার অদু য়াওরম্লগা লময়ানবা শঙলেন'দা পাঙথোকপা নুংথিল পুং ২দগী হৌবা, ষ্টেট লেভেল মণিপুরী লেংগ্বেজ দে সেলেব্রেসন'দু য়াওবা য়ারম্বনি। মদু নংনবা চেন্নখিবসু য়াওই। অদুবু, নুংথিলগী সেসন'দা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা 'মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর' য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু লৈবনা, থৌরম অদু য়াওরিঙৈ অতোপ্পা লেংগ্বেজ দে সেলেব্রেসনদু য়াওবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৮-১৯গী ষ্টেট লিটরেচর এৱার্দ, শক্লাইরবা অইবা 'রাজকুমার ভুবনস্না'দা লান্থোকখি। কুমজা ২০১৪দা ফোঙখিবা মহাক্কী শৈরেং-লাইরিক 'কেল্লবা উনাশিং' হায়বদু ইবগীদমক। মনা অসি ফংখ্রবা অতোপ্পা অইবশিং অদুদি বি এম মৈস্নাম্বা, এ চিত্রেশ্বর শর্ম্মা, কৈশাম প্রিয়োকুমার, মোইরাংথেম বোরকন্যা, বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম, ক্ষেত্রি বীর, এলাংবম দিনমনি অমদি থাংজম ইবোপিশক মখোয়শিংসি ওইরমগনি। অমা চীথবদি মাল্লি। অদুবু কনানো নীংশিংদ্রে, ঐগী মেমোরিসি শোন্থরক্লমাল্লে। নীংশিংবীরক্লবদি নুংঙাইনি।

মণিপুরী লোলগী নুমিৎ! নুমিৎ অসি পালন তৌরকপা কুমসিগীসি থারগা ২৮লকশুরে। চহী ২৮ হায়বসি শাংলবা মতম অমনি। লৈঙাক পুন্সিদা হায়রগা তরুক্লকশুবা অওনবা গভর্ণমেন্টকী অহুমশুবা চহীনি। লোল অসি আ য়ৌনা চাওখৎলম্বা য়ারবনি। অদুবু, ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াগী শেন-য়েক' (করেন্সি) দা ঐখোয়গী লোলনা শেলগী মমল ইদ্রি। ঐখোয়গী লোলগী-লোঞ্জন (গ্রম্মার) ইদ্রি। লোলসিগীদমক তৌফম থোকপা কয়া অমা তৌদরি। খঙদে, ঐসিবু পেসিমিষ্ট'নি হায়বীরক্কদ্রা? তৌবীনবা মতিক চাবা/তৌগে খনবা মী থোরক্তবগুম ফাওই থম্মোয়সিদা! দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন - লোল অসি চাওখৎহন্নবা থৌরাং -থৌশিল য়াৎনবা অমদি থৌরাংদু থবক্তা ওন্থোক্লবা তোখায়বা দিরেক্টোরেট অসি লিংখৎখিবদি সেপ্টেম্বর ৪, ২০১৩দনি, চহী তরুক শুদরি। ঙসিসু শিল্লম-শিন্থোঙ চমম্নবগুম তৌরি। মণিপুরী লোলগী নুমিৎতা, 'মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর' পীবই ৱারেপ লৌখিবদুদি দিপার্টমেন্ট অসি লিংদ্রিঙৈ, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট'কী মীৎয়েংখাদা লৈরিঙৈদনি। এৱার্দ অসি ইহান হান্না পীবা হৌখিবা, ইন্সটিট্যুট তৌখিবা চহী ২০০৮-০৯, বি এম মৈস্নাম্ব'দা লান্থোকখিবা নুমিৎতুদা এৱার্দ ফংখিবা (এৱার্দি) গী ৱারোল অমদি মতমদুগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, লাংপোকলাকপম জয়ন্তগী ৱারোল ঙসি ফাওবা নাকোংসিদা ঙংদুনা লৈরি। মৈস্নাম্ব'না, এৱার্দ অসি লৈঙাক্লা লান্থোক্লবা ৱারেপ লৌরকপসিগী ক্রেদিট, মণিপুরগী খোরিরোল-শূবা-অইবশিংদা পীননবা হোৎনরগা মিনিষ্টর জয়ন্তকুমার'না 'শরত-থিয়াম' গী মিং পল্লকখিবা! এৱার্দ অসি ইন্সটিট্যুট তৌনবা হোৎনবদা, লৈঙাক্কী ওইবা ৱারেপ অমা লৌহন্নবা হোৎনবদা কনাগী করি অখন্নবা থৌদাং লৈখিবা... অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবা কান্নগনি। কনাগুম্বা অমগী হোৎনজমল অমা য়াওরম্লবদি তৌবীমল খঙবা মতৌ অমদি ৱাহৈতগী ওইরবসু উৎফম থোকই।

হৌজিক, খন্থনীংঙাই ওইরিবদি, মরন্নাই ওইবা, মনীংতম্বা দিরেক্টোরেট অমা ওইরকঙৈদগী, হৌখিবা চহী তরুকসিদা 'লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেস' দিরেক্টোরেট অসিনা তৌখিবা প্লান্নিং, পাঙথোকখিবা থবক করি করিনো? খঙদবা ঐবু খঙহনবীরবদি নুংঙাইজগনি। অদুবু, হন্দক্কী ২৮শুবা লেংগ্বেজ দে সেলেব্রেসন অসি য়াওরুবদই তারকপা নুংঙাইবা পাউ অমত্তং হায়বা তারবদি - মণিপুরী লোল (মীতৈলোল) অসি ইন্দিয়াগী ক্লাসিক লেংগ্বেজ অমা ওইনা শকখঙহন্নবা হোৎনরি হায়বা পাউ অদুনি। 'ক্লাসিক ওইরবা' - হায়বদি মতম কুইনদগী মীনা শকখঙলবা অৱাংবা থাক অমদা লৈবা, থোইদোক হেন্দোকপা গুন কয়ানা লৈতেংলবা হায়বনি। য়ামখ্রবা ইন্দিয়ন লেংগ্বেজশিংগী মরক্তা (কন্সটিট্যুসন্না শকখঙদ্রিবা য়াওনা) ক্লাসিক ওইরবা লোলশিংনি হায়না শকখঙলিবসি তরুক (৬) খক্তনি - টামিল, টেলেগু, মলয়ালম, কন্নড়, সংস্কৃৎ অমদি ওদিষা! মরাথিসু শকখঙগদৌগী ঙাইদুনা লৈরবনি। চহী ১৫০০দগী হেন্না লীরবা 'অইবা লাইরিক' - লোল'দুদা লৈরবা, প্রমান তৌদুনা উৎপা ঙল্লবা মতমদুতদা লোল অদু 'ক্লাসিক লেংগ্বেজ' নি, লৈঙাক্লা শকখঙগদৌরিবনি। অদুগুম্বা লাইরিক অমা ওইবরা নৈনবনি - 'হিজন হিরাউ' (এম টি অচৌ'না); 'পান্থোইবী খোঙখুল' (চিরোম রাজকেতন'না); অমদি 'পোইরৈতোন খুন্থোকপা' (মোইরাংথেম রঞ্জনা)। পেপর রিদর অহুম্মক্কী পেপরশিংসি পারগদি লাইরিক অসিগী লিটরেরি টেক্স/ভেল্যু নৈনবরোমদা হেন্না পূক্লিং চঙশিনখিদুনা খূৎইসি মতম লেপ্পগী পান্দমদুমদি তুং ওইনরম্বরা... কোন্না খল্লকখিবনি।

অয়ূক অমদি নুংথিল, সেসন অনীমক্কী থৌরম খূৎশিন'দু - য়াওরুবা মী খুদিংমক্লা খল্লমগনি - পূক্লিং চঙনা, থৱায় তানা শীনবা নত্তে - তৌদফদে মতাগুম শীনবনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৮৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওগষ্ট ০৫, ২০০৯ :** ষ্টেট পুলিস কম্মান্দো ফোর্সকী মীওই তরুক, সব ইন্সপেক্টর অমা য়াওনা হন্দক জুলাই ২৩, বি টি রোদতা মীওই ৫ শোকহনখিবা, মীরোনবী নুপী অমা অমসুং লালহৌবনি হায়বা নহা অমা হাৎখিবা অদুদা চেন্নবশিং সস্পেন্দ তৌরে হায়না লৈঙাক্লা হুকুম অমা থোকখ্রে। ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মাগী ওফিসিয়েল বঙ্গলোদা নুমিদাংৱাইরম প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক ন্যু দিল্লিদগী হল্লক্লগনি। মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্না ঈরাং কয়া শাগৎলকপা অমসুং টেহলকা মেগাজিন্না ফোটোগা কোন্নগা জুলাই ২৩গী থৌদোক অসিবু ফোঙলকপা অসি লৈঙাক্লা য়াম্না হকচিন্না লৌই। ঈরাং অসি কনখৎলকপদগী ঙরাং নুংথিল পুং ১০ তাবদগী কার্ফিয়ু থমখ্রবনি।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা এস পি এফ লৈঙাক্লা মরাল লৈবা ওফিসরশিংবু কনখৎনবা/ঙাকথোক্লুবা থৌরাং তৌবা লৈতে। লৈঙাক্লা মেজিষ্ট্রিয়েল ইনক্কারি তৌনবা হুকুম থোকখ্রবনি। মীয়াম্না পাম্বা মতুংইন্না জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌনবা থৌরাং তৌরে। গুৱাহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসতা জজ অমতং পায়হনবীনবা হায়জরি। শংদ্রগা থবক্তগী পোথাখ্রবা জজ অমতং পায়হনবীনবা হায়জরিবনি।

হাওসতা মহাক্লা পীখিবা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা মহাক্লা হায়খি মদুদি রিপোর্ট অদু দ্যুটি তারিবা এস আই পুন্সিবা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোদা লৈবদুনা পীরকপনি। মহাক্লা হোমসু পায়বনা রিপোর্ট অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট এস পি অমসুং ষ্টেট দি জি পিগী খূথাংদা পীরকপদু চুম্না পীখিবদনি। মহাক্লা শেমজিন শাজিনবা লৈখিদে। অদুবু পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদু অশেংবা থোকখিবদুগা চানরক্তবনা এস আই পুন্সিবা অমসুং অতোপ্পা মখোয় ৫গা সস্পেন্দ তৌরগনি। ওফিসিয়েল ওর্দর অদু দি জি পিগীদনা নুমিদাংৱাইরমদা ফংহনগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হায়খি মদুদি লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎ, খুরাই সাজোর লৈকায়দগী নহা অসি লালহৌবা পি এল এগী মরুওইবা কেদর অমনি। মহাক সেক্যুরিটি ফোর্সনা অনীরক ফারুরে। অমুকসু এন এস এদা ফারুরে। শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বা অদুদি ইনক্কারি তৌরবা মতুংদা অশেংবদু শোয়দনা খঙগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, লালহৌবা ময়াম অসিনা ষ্টেট অসিদা ঈরাং থোকহনবনি। মসিনা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপসু য়াদ্রে, শান্তি লৈত্রে। লালহৌবশিংনা মীহাৎ-মীপূন তৌরিবসি থিংনবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিনা অৱাবা অমা ওইরি। করিসু লৈতবা রেন্সম তানবগীসু মীহাৎ-মীপূন কয়া চথুরি। পুলিসতা ঈরাংশিং অসিবু চুম্না পুকচেল শেংনা নমথনবা হায়রিবনি।

মহাক্লা মসিমসু হায়খি মদুদি, চাওখৎনবা অমদি শান্তি লৈনবা শেল-থুমগী ফীভম ফবা অমসুং থবক ইনখাং ফংহনবা অসিসু য়াম্না মরুওই। অদুনা চাওখৎ থৌরাং কয়া থুনা পায়খৎনবা হোৎনরি।

**ওগষ্ট ০৫, ২০০৯ :** খুরাইগী মীয়াম্না কার্ফিয়ু থুগাইদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। চীফ মিনিষ্টর ইবোবীগী মীতমশিং মৈ থাখি। নুংথিল পুং ৬ লোম তাবদা লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎকী লৈকায়গী মীওইশিংনা লাউখি, "ইবোবী চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতিক চাদে। খুদক্তা ফম থাদোকউ।" "জুদিসল ইনক্কারি খুদক্তা পাঙথোকউ।"

জে এ সীগী কাঙবুনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবা কয়া থোকখ্রে। অদুবু পুলিসনা খূৎথোক্লবদা হাৎখিবনি হায়জরবসু শাশিন্নবনি হায়বদু খুদম চাংদম লৈতবনা মখোয়না অচুম্বা শাবনি। অদুবু সঞ্জিৎকী মতাং অসিদদি শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বদু ময়েক শেংলে। শাশিন্নবনি খঙলবসু চীফ মিনিষ্টরনা তুমিন্না লৈশিল্লে, মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মণিপুরদদি সী এম হায়বসি ক্রাইম মিনিষ্টর হায়না হনবা য়ারে। মীচম মীয়াম য়াম্না হাৎপা পুলিসশিংবু থৌনা ফবগী মনা পীদুনা লৈরে।

মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপীরো, শান্তি হঞ্জিলহনবা ঙম্বা মীশক অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনবীরো। মখোয়না হায়খি, কম্মান্দোশিং অসি সস্পেন্দ তৌবদু নত্তে, থবক্তগী দিসমিস তৌগদবনি অমদি মপুন্সি চূপ্পা জেলদা থমগদবনি, মতুং মনাও অমুক থোক্লক্তনবা।

জে এ সীনা মসিমসু হায়খি মদুদি, জুলাই ২৩দা হাৎখিবা রবিনাসু কম্মান্দোগী নোংমৈ মরূ অমননি। মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পু হায়বসি মখোয়গী ত্রেনিংদা য়াওবা জাৎলা হংখি।

ইবোবীগী লৈঙাক অসি মী হাৎপা নত্তনা অতৈ থবক তৌনীংঙাই লৈতবা মাল্লে। মসিগী লৈঙাক অসি শুকপাম পামজদ্রে। ইবোবীগী নুপী লনধোনি এম এল এ অসি রবিনা হাৎলিবসি করি অমত্তা নুংঙাইতবা ফাওদবা জাৎলা? মাগী নুপানা হাওসতা পীখিবা রিপোর্ট অদু চুম্মী খনবা জাৎলা?

নুমিদাংৱাইদা কার্ফিয়ু থুগাইদুনা মীওই কয়ানা খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী লমলোং বজার তম্না মৈরাগী খোঙচৎ অমা চৎখি। অদুবু সেক্যুরিটি কাঙবুনা টিয়র গ্যাস অমসুং স্মোক বোম কাপ্তুনা রেল্লি অদু থুগাইখি। খোইশাওনরবা মীয়ামদুনা সেক্যুরিটি তম্না নাওরি অমসুং নূংনা লান্দাখি। পুলিস থোমজিল্লকপদগী ফীভমদু লাকশিনখি।

পোরোম্পাৎ, শিংজমৈ অমসুং পাৎশোইনচিংবদা মৈরা রেল্লি চৎনবা হোৎনরকপদা পুলিসনা থিংখি। সঞ্জিৎকী মপল চুংখাম ইবোহল (৫৬) সঞ্জিৎকী শোরাৎ য়ৈথোকপগী পাউ তাবদা মশাগী ফীভম শোকচিল্লে হায়রি।

ওগষ্ট ৪গী অহিংদগী গ্রেটর ইম্ফালদা থম্লকখিবা কার্ফিয়ু অদু অয়ূক পুং ৫দগী ওগষ্ট ৬কী অয়ূক পুং ৯ ফাওবা কোমথোকখি। মসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হুকুম অমমম থোকখ্রে।

মরকসিদা ওল মণিপুর কম্যুনিতি য়ুনাইটেদ ফ্রন্টনা মরম চাদনা কার্ফিয়ু থমজিনবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে, ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগীনি। লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা বন্দ অসি কৌবনি, লোয়ননা ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি সী বি আইগুম্বদা শিন্নদুনা অচুম্বদু ফংনবা থিজিনহল্লু হায়রি।

নুমিৎ হুমনি কার্ফিয়ু থমজিনবা অমসুং বন্দ তৌশিল্লকপদগী কৈথেল থোঙ লোন্নবা অসিনা মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা ওইরে।

**ওগষ্ট ০৫, ২০০৯ :** লৈঙাক্লা কার্ফিয়ু থমজিনবা অসিবু অপূনবা লূপনা কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। মদু লৈঙাক্লা জুলাই ২৩দা নুংশি হৈতনা রবিনা অমসুং শঞ্জিৎ হাৎখিবা অদুগী য়ানীংদবা ঈহৌদুবু নমথনবা তৌবনি হায়খি। অদুবু লূপ অসিনা হেন্না কনবা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়খি।

**ওগষ্ট ০৬, ২০০৯ :** ইম্ফাল সিটি কম্মান্দো য়ুনিটকী ষ্টেট পুলিস পার্সনেল ৭ সস্পেন্দ তৌবগী হুকুম অমা ঙরাং অহিং অথেংবদা থোকখ্রে। বি টি পার্কতা হন্দক জুলাই ২৩দা মী হাৎখিবা অদুগা মরী লৈননা থোকপনি। সিটি পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী মণিপুর পুলিস কম্মান্দো ৪, এস আই কোইজম পুন্সিবা য়াওননি। কন্সটেবল ৱাহেংবম বিনোয়, হেদ কন্সটেবল থোকচোম হেরোজিৎ, হেদ কন্সটেবল ওইনাম কিশোর অসিগী হুকুম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি এন কাইলুন্না খূৎয়েক পী। অদুগা রাইফলমেন ইমরান, ৫শুবা আই আর বি অমসুং ৮শুবা এম আরগী রাইফলমেন থোকচোম জুগোল অমসুং ঙাঙোম তোয়াইমা সিটি কম্মান্দো য়ুনিটতা এটেচ তৌবা অসিগীনা মখোয়গী কম্মান্দেন্টনা খূৎয়েক পী।

অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরনা জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌগনি হায়দুনা ঙরাং লাউথোকখ্রবসু জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌনবা হুকুম থোকপা লৈত্রি। গুৱাহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসতা চেদি ইখ্রে হায় অদুবু পাউখুম লাকত্রি।

হায় লেবেল মীটিং অমা তৌখ্রে হায়। চীফ সেক্রেটরি দি এস পুনিয়া, দি জি পি য়ূম্নাম জয়কুমার অমসুং এদভোকেট জেনরেল কোটেশ্বর অমসুং অতৈ লো দিপার্টমেন্টকী ওফিসর কয়া য়াওই হায়, ওইরিবা মণিপুরগী ঈরাংশিংগা মরী লৈননি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।